# স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সকী মফম ৮ খন্দোকখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স (কে আই এস ঈ) শেমগৎতুনা মফম ৮গী মশক খঙদোকখ্রে।

খোঙথাং অসি ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স শেমগৎনবা পায়খৎলকপা খোঙথাংদা মফম নিপান খনগৎখিবনি।

অহানবগী খোঙথাং অসিদা মিনিষ্ট্রিনা মশা মশাগী ষ্টেটনা মীৎয়েং চঙদুনা লৈরিবা কর্ণাটকা, ওরিষা, কেরলা, টেলঙ্গনা, মণিপুর, মিজোরাম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং নাগালেন্দগী ষ্টেটশিং অসি খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সকী থাক্তা শেমগৎলগনি হায়রি।

লৈঙাক্লা হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর থাদা হায়রিবা শান্নবগী ফেসিলিটিশিং অসিগী মতাংদা কে আই এস ঈগী ওইবা মফমশিং খনবগী থবক পায়খৎকদবনি।

মিনিষ্ট্রিনা খনগৎলবা সেন্টর নিপান অসি মমাঙদা লাকখিবা প্রোপজেল ১৫গী মনুংদা নিংথিনা য়েংশিল্লবা মতুং মফমশিং অসিদা লৈরিবা শান্নবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমদি মফম অদুদগী তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংদা ইন্দিয়াগী ওইবা টুর্নামেন্টশিংদা মকোক মথং তাবা ঙমখিবা খক্তা নত্তনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নরোয় পুথোকপা ঙম্বা সেন্টর নিপান অসি খনগৎখিবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী খনগৎলবা সেন্টর নিপান অসিদা লৈরিবা শান্নবগী ফেসিলিটিশিং অদু মালেমগী ওইবা চৎনরিবা ষ্টেন্দর্দ অদুদা থম্লনবা হোৎনগনি। লোয়নন্না সেন্টরশিং অসিদা শান্নবা লাক্কদৌরিবা অমদি ত্রেনিং চথুগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী তঙাইফদনা চঙবা পোৎলম পুম্নমক খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা শেন্থং পীদুনা মায় পাক্লনবা হোৎনগনি হায়রি।

অহানবা বেটচকী ওইনা খনগৎলবা স্পোর্টস ফেসিলিটিশিং অদুদি মণিপুরগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স, মিজোরামগী রজিব গান্ধি ষ্টেদিয়ম, নাগালেন্দগী আই টি ষ্টেদিয়ম, ওরিষাগী কলিঙ্গ ষ্টেদিয়ম, কেরলাগী জি ভি রাজা সেকেন্দরি স্পোর্টস স্কুল, টেলঙ্গনাগী রিজনেল স্পোর্টস স্কুল, কর্ণাটকাগী জে প্রকাস নরায়ন নেসনল য়ুথ সেন্টর অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী সাঙ্গি লাদেন স্পোর্টস একাদেমিনি।

# মোইরাংথেম থোইবা ওরিষা এফ সীদা শান্নরগনি



ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ (এজেন্সী): মশাগী চহী ১৭ খক্তা ঙাইরিবা মণিপুর মচা মোইরাংথেম থোইবা ইন্দিয়ন সুপর লীগগী ৭শুবা এদিসনগী শেম শাবা ওইনা ওরিষা এফ সীনা মহাক্না খূৎয়েক পীনখ্রে।

ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা বেজ তৌবা ওরিষা এফ সীগা সেন্ত্রেল মিদফিল্ডর অমা ওইরিবা মোইরাংথেম থোইবগা চহী অহুমগী ওইবা য়ান-চে অমা ইনখিবনি।

পনবা য়াই, মণিপুরদগী হৌখিবা মোইরাংথেম থোইবনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলূপকী কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াদুনা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখ্রবনি।

ওরিষা এফ সীগা খূৎয়েক পীনদ্রিঙৈ মাঙওইননা হৌখিবা সিজন অনীদা পঞ্জাবকী মিনরভা পঞ্জাব এফ সীদা শরুক য়াদুনা আই লীগ শান্নখিবনি।

থোইবনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী অনৌবা ক্লব ওরিষা এফ সীদা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী সিজন তরেৎতা অফবা মশান্না উৎতুনা ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা শরুক য়াবা ঙম্নবগীদমক শান্নগনি হায়না থল্লক্লি।

ওরিষা এফ সীগী প্রসিদেন্ট রোহন শর্ম্মনা ফোঙদোরকপদা থোইবা য়াওরকপনা টিম অসিগী মপাঙ্গল হেনগৎহল্লগনি হায়রি।

স্পেনিস ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

# সিবিলা অমসুং লিভান্টে পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে, অতোপ্পা মেচ অনীসু মায় পাক্লবা ঙমদনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে




মাদ্রিদ, জুন ১৬ (এজেন্সী): স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা অহুমশুবা থাক্তা লৈরিবা সিবিলা অমসুং লিভান্টে ফুটবোল ক্লব পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। লীগ অসিগী অতোপ্পা মেচ অনী অমসু মায় পাক্লবা ঙমদনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

লা লীগাগী ২৮শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৫০ ফংদুনা বার্সেলোনা অমদি রিএল মাদ্রিদকী মতুংদা অহুমশুবা থাক্তা লৈরিবা সিবিলানা ১৩শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বা লিভান্টেগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখিবনি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা মিনট অমগী মনুংদা সিবিলাগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা অল হদাদিনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট লি দে জোংনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

অনীশুবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতম অদুদা সিবিলাগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনবদা অকনবা প্রেসর হৌরক্তুনা শান্নরকখিবা লিভান্টেগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৮৭শুবা মিনটতা আর ভেজেনা খাইরকখিবা বোল অমদা জে মিরামোননা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংদুনা মেচ অদু পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখি।

অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অসিগী ২৯শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা রিএল বেটিস অমসুং গ্রানাদাগী টিম পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

অহানবা হাফতা গ্রানাদাগী মায়কৈদগী এ পুরটাসনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট সী ফর্ণান্দজনা ২৯শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। হাফ অদুদা রিএল বেটিসকী মায়কৈদগী গ্রানাদানা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম অদুদা কন্না হোৎনখিবা রিএল বেটিসকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিদ্রবা মতুং মেচকী ৮৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী এস কানালেজনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল ১-১দা লৈনরবা মতুং রিএল বেটিসকী মায়কৈদগী ৮৮শুবা মিনটতা সী টেলোননা মহাক্কী টিমমেট এন ফেকিরগী মায়কৈদগী পীরকপা বোল অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মাঙজিল থাখি। অদুবু গ্রানাদাগী মায়কৈদগী শান্নবগী অরোইবা মিনটতা মার্টিনেজনা পীরকপা বোল অমদা সোলদাদোনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা ২-২দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা রিএল সোসাইদেদ অমদি ওসাসুনানা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা পোইন্ট য়েন্নখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Barcelona | 28 | 19 | 4 | 5 | 67 | 31 | +36 | 61 |
| 2 | Real Madrid | 28 | 17 | 8 | 3 | 52 | 20 | +32 | 59 |
| 3 | Sevilla | 29 | 14 | 9 | 6 | 42 | 30 | +12 | 51 |
| 4 | Real Sociedad | 28 | 14 | 5 | 9 | 46 | 34 | +12 | 47 |
| 5 | Getafe | 28 | 13 | 7 | 8 | 38 | 27 | +11 | 46 |
| 6 | Atlético Madrid | 28 | 11 | 13 | 4 | 32 | 22 | +10 | 46 |
| 7 | Valencia | 28 | 11 | 10 | 7 | 39 | 40 | −1 | 43 |
| 8 | Granada | 29 | 12 | 6 | 11 | 37 | 35 | +2 | 42 |
| 9 | Villarreal | 28 | 12 | 5 | 11 | 45 | 38 | +7 | 41 |
| 10 | Athletic Bilbao | 28 | 9 | 11 | 8 | 30 | 24 | +6 | 38 |
| 11 | Osasuna | 28 | 8 | 11 | 9 | 35 | 39 | −4 | 35 |
| 12 | Levante | 29 | 10 | 5 | 14 | 34 | 42 | −8 | 35 |
| 13 | Real Betis | 29 | 8 | 10 | 11 | 40 | 47 | −7 | 34 |
| 14 | Valladolid | 28 | 7 | 11 | 10 | 25 | 34 | −9 | 32 |
| 15 | Alavés | 28 | 8 | 8 | 12 | 29 | 39 | −10 | 32 |
| 16 | Eibar | 28 | 7 | 6 | 15 | 28 | 44 | −16 | 27 |
| 17 | Celta Vigo | 28 | 5 | 11 | 12 | 22 | 35 | −13 | 26 |
| 18 | Mallorca | 28 | 7 | 4 | 17 | 28 | 48 | −20 | 25 |
| 19 | Leganés | 28 | 5 | 8 | 15 | 22 | 41 | −19 | 23 |
| 20 | Espanyol | 28 | 5 | 8 | 15 | 25 | 46 | −21 | 23 |

# কটারনা অনৌবা ষ্টেদিয়ম অমবু কোভিদ-১৯ মায়োক্লবদা মাঙজিল থারিবা ৱর্করশিংদা কৎথোকখ্রে



দোহা, জুন ১৬ (এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা মালেমগী ফুটবোলগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ূম্বু ওইরিবা কটারনা নৌনা শাবা লোইশিনখিবা ষ্টেদিয়ম অমবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাম্থেংনবদা মাঙজিল থারিবা মীওইশিংগীদমক্তা কৎথোকখ্রে।

কটারনা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২গীদমক্তা শেমগৎখিবা ভাবক লিশীং ৪০ চনবা এদ্যুকেসন সিটি ষ্টেদিয়ম অদুবু মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লাম্থেংনরিবা মীওইশিংগীদমক কৎথোকখিবনি।

এদ্যুকেসন সিটি ষ্টেদিয়ম অসি কটারনা 'দাইমন্দ ইন দি দেজার্ট' হায়নসু খঙনবা ষ্টেদিয়ম ওইগদৌরি। হায়রিবা ষ্টেদিয়ম অসি অতোপ্পা ষ্টেদিয়ম অহুম অমগা লোয়ননা চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা মপূং ফানা শান্নবা য়াবগী ফীভমদা লৈহনগদৌরিবনি।

এদ্যুকেসন সিটি ষ্টেদিয়ম অসিগা লোয়ননা চহী অসি লোইশিল্লকপদা শেম শাবা লোইগদৌরিবা অতোপ্পা ষ্টেদিয়ম অনী অদুদি ভাবক লিশীং ৬০ চনবা অল বায়ট ষ্টেদিয়ম অমসুং ভাবক লিশীং ৪০ চনবা অল রায়ন ষ্টেদিয়মনি।

মালেমগী ফুটবোলগী লূপশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংলিবা ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফার্ন্টিনোনা ফোঙদোকখিবদা ফুটবোল মশান্না অসি ভাবক য়াওরগা মেচ অদুগী তোঙানবা মহাও অমা লৈরিবা অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম খরদি ভাবক্কী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিংদা পীগদবা পূক্নিং থৌগৎপগী অচৌবা মফম অমা লৈবা ঙমখিরোই।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা কোভিদ-১৯গী লোকদাউন কোমথোকখিবগা লোয়ননা ফুটবোল মশান্না শান্নবা হৌখ্রবনি। মফম খরদনা ভাবক য়াওনা শান্নরি। অদুগা অতোপ্পা মফম খরদনা ভাবক য়াওনা মেচশিং পাঙথোকপগী খুদোংচাবা লৌরি।

ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফার্ন্টিনোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোয়শিং অমদি মশান্না খুদিংমক্কী মথৌ তারিবা সপোর্ট ষ্টাফশিং য়াওনা ভাবকশিংগী হকশেলগী তঙাইফদনা লৌখৎতবা য়াদ্রবা খোঙথাংশিংনা মাঙদা থল্লগা মশান্নশিং অসি পাঙথোক্লিবনি।

মরক অসিদা কটারগী অনৌবা ষ্টেদিয়ম ওইরিবা এদ্যুকেসন সিটিনা ফুটবোল মশান্না অসি হান্না লৈরম্বা মশান্না অসি পামজবা মীওইশিংগী ৱাখলদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীবা ঙমগদৌরিবনি হায়খি।

কুমজা ২০২২ য়ৌরকপদা ষ্টেদিয়ম অসিদা ফুটবোল মশান্না অসিবু পামজবা মীওই কয়ানা মখোয় মখোয়গী ইমুং-মনুং অমদি খঙন-চান্নবশিংগা ফম্মিন্নদুনা মশান্না অসিগী মহাও লৌবা ঙমগনি হায়খি।

কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

# জিওনবুক এফ সীনা পোহাং ষ্টিলরসপু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবলদা মখা তানা মাঙজিল থাবা ঙম্লি






সিওল, জুন ১৬ (এজেন্সী): কোরিয়ন লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মকোক থোংদুনা লৈরিবা জিওনবুক এফ সীনা ঙসি শান্নখিবা তরেৎশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা পোহাং ষ্টিলরসপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা টিম ১২গী লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মখা তানা মাঙজিল থাবা ঙম্লি।

ষ্টিলয়র্দ ষ্টেদিয়মদা পোহাং ষ্টিলরসনা য়ূম্বু ওইরগা ঙসি শান্নখিবা কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী তরেৎশুবা রাউন্দ অদুদা জিওনবুক এফ সীগা লম্বা তৌনবদা পোহাং ষ্টিলরসনা অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মেচ অদুগী ৪১শুবা মিনটতা পোহাং ষ্টিলরসকী মায়কৈদগী এস লিনা পাঞ্জল চন্দুনা জিওনবুক এফ সীবু মখোয়না মাঙজিল থারগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপা মিনট ১৫ হৌজিল্লকপদা জিওনবুক এফ সীগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা পোহাং ষ্টিলরসকী দিফেন্দর সী হানা ঙাকথোকখিগদবা বোল অদু শোয়বদগী মশাগী গোলদা চঙদুনা ইক্বেলাইজর অদু জিওনবুক এফ সীগী মায়কৈনা ফংখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং টিম অনী অকনবা লম্বা চথুনরকখিবদা মেচ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুরবা ফাওবদা পাঞ্জল অহেনবা চন্নবা ঙমখিদে। ৯০শুবা মিনটতা জিওনবুক এফ সীগী মায়কৈদগী এম কিমনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চন্দুনা পোইন্ট অহুম ফংলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অপূনবা মেচ তরেৎতা পোইন্ট ১৮ ফংলগা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা তরেৎশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবদা লৈরম্বা উলসান হুন্দাইগী টিমনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা গাংৱোন এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা উলসান হুন্দাইগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অহুম থংনা থংননা চনশিনখি। বি য়ুন, জে নেগ্রাও অমসুং বি এম জোনসেননা উলসান হুন্দাইগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অহুম অদু চনবা ঙমদুনা পোইন্ট অহুম ফংবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেচ ৭তা পোইন্ট ১৭ ফংলগা অনীশুবদা অদুমক লৈরি।

অতোপ্পা তরেৎশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা সুওন ব্লুৱিংস অমসুং সিওংনাম এফ সী লম্বা তৌনবদা সুওং ব্লুৱিংসনা ২-০দা থোইখি। মেচকী ২৯শুবা মিনটতা সুওং ব্লুৱিংসগী মায়কৈদগী এ টাগার্টনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৪ লৈরগা টানচিওন স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু সুওং ব্লুৱিংসকী মায়কৈদগী এম কিমনা চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকপা ঙমখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Jeonbuk FC | 7 | 6 | 0 | 1 | 12 | 4 | +8 | 18 |
| 2 | Ulsan Hyundai | 7 | 5 | 2 | 0 | 17 | 4 | +13 | 17 |
| 3 | Gangwon FC | 7 | 3 | 2 | 2 | 9 | 10 | -1 | 11 |
| 4 | Pohang Steelers | 7 | 3 | 1 | 3 | 13 | 12 | +1 | 10 |
| 5 | Daegu FC | 6 | 2 | 3 | 1 | 10 | 5 | +5 | 9 |
| 6 | Suwon Samsung | 7 | 2 | 2 | 3 | 7 | 7 | 0 | 8 |
| 7 | Sangju Sangmu | 6 | 2 | 2 | 2 | 7 | 10 | −3 | 8 |
| 8 | Seongnam FC | 7 | 2 | 2 | 3 | 5 | 6 | -1 | 8 |
| 9 | Gwangju FC | 6 | 2 | 1 | 3 | 5 | 6 | −1 | 7 |
| 10 | FC Seoul | 6 | 2 | 0 | 4 | 5 | 15 | −10 | 6 |
| 11 | Busan IPark | 6 | 0 | 3 | 3 | 4 | 9 | −5 | 3 |
| 12 | Incheon United | 6 | 0 | 2 | 4 | 2 | 8 | −6 | 2 |

# ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা নোভাক জোকোভিচকী এদ্রিয়া টেনিস টুরগী অহানবা লেগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে




বেলগ্রেদ, জুন ১৬ (এজেন্সী): মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শান্নবগী ইভেন্ট পুম্নমক থিংজিন্দুনা লৈখ্রবা মতুং লৈবাক খরদা মরু ওইনা ফুটবোল মশান্না শান্নবা হৌখ্রে। অদুবু টেনিসকী ওইনা হান্না লৈরম্বা টুর্নামেন্টশিং পাঙথোকপা য়াদনা লৈরিঙৈ মনুং অসিদা নুপাগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকপা এদ্রিয়া টুরগী অহানবা লেগকী টুর্নামেন্ট অদু ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা লৌখ্রে।

সর্বিয়াগী কোনুং বেলগ্রেদতা লৈবা নোভাক জোকোভিচকী টেনিস কমপ্লেক্সতা এদ্রিয়া টুরগী অহানবা লেগকী কম্পিটিসন পাঙথোকখিবা অদুগী ফাইনেল অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা সর্বিয়াগী ফিলিপ ক্রাজিনোভিচপু সেট ২-১দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা এদ্রিয়া টুরগী অহানবা লেগকী ফাইনেল অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা সর্বিয়াগী ফিলিপ ক্রাজিনোভিচপু ৪-৩ (৪-২), ২-৪, ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসি টেনিস মশান্নগী ওইনা চৎনরক্লিবা সেট অমদা গেম তরুক থোইবগী চৎন-কাঙলোন অদু তেনশিন্দুনা সেট অমদা গেম মরি থোইরগা মায় পাক্লনবগী তোঙানবা কাঙলোন অমা শীনখি।

রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা শান্নখিবা এদ্রিয়া টুর টেনিস টুর্নামেন্ট অদুগী সেমীফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিবু হৌদোকখিবা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচ মায়থীহৌবনি।

ফাইনেলদা মায় পাকখ্রবা দোমিনিক থিয়মনা লম্বা তৌনখিবা সর্বিয়াগী শান্নরোয় ফিলিপ ক্রাজিনোভিচপু মেচ অদুদা খুদুম চনবা ঙম্নবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লখি।

অহানবা সেট অদু শান্নরোয় অনীমক গেম ৩-৩ থোইনদুনা লৈরকপদগী টাই ব্রেক শান্নদুনা সেট অদু মায় পাক্লবা হোৎনরকপদা ওষ্ট্রেয়িলাগী থিয়মনা ৪-২দা টাই ব্রেক অদু মায় পাক্তুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

মদুগী মখা তারকপা অনীশুবা সেটতা সর্বিয়াগী শান্নরোয় ফিলিপ ক্রাজিনোভিচনা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোমিনিক থিয়মবু গেম ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল অদুদা সেট অমমম মায় পাক্লদুনা লম্বা মান্ননা লৈবদগী কমপ্লেক্স অদুদা তিনখিবা সর্বিয়াগী ভাবকশিং মখোয়গী মরমদমগী শান্নরোয় ফিলিপ ক্রাজিনোভিচপু অহেনবা মওংদা পূক্নিং থৌগৎপা হৌখি।

সেট অমমম মান্নরবা মতুংদা দিসাইদিং সেট শান্নরকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা সর্বিয়াগী ফিলিপ ক্রাজিনোভিচকী সর্ভিস গেম অমা য়াম্না মতাং মতম চানা ব্রেক তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাক্কী সর্ভিস গেমশিং অদু অশোয়বা য়াওহনখিদবদগী অহুমশুবা সেট অদু ৪-২দা থোইদুনা ফাইনেল অদু মায় পাকখি।

মেচ অদু লোইরবা মতুং ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় দোমিনিক থিয়মনা টুর্নামেন্ট অদুবু শীনখিবা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা নোভাক জোকোভিচপু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী টেনিস পামজবা মীয়াম্বুসু টুর্নামেন্ট অদু মপূং ফাবা অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা শরুক য়াখিবগীদমক হরাউবা ফোঙদোকখি।

দোমিনিক থিয়মনা মহাক্কী ইন্সত্রাগ্রাম একাউন্টতগী মীয়ামদা পীখিবা পাউজেলদা নোভাক জোকোভিচ অমদি বেলগ্রেদ সিটিগী টেনিস পান্থা মীওইশিংবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# 'ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎকদবা ৱাংলি'

ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী হোকি টিমগী গোলকিপর সবিতানা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স অদু উৎকদবা ৱাংলি হায়খ্রে।

কুমজা ২০১৬তা ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোকি টিমদা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখিদবা অদু তুংওইননা থল্লগা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মমাঙগী অশোয়বশিং অদু নাথৈদুনা থল্লগা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমগনি হায়না গোলকিপর সবিতানা ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৬তা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোকি টিমনা রিও ওলিম্পিক গেমসগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবা অদু চহী ৩৬কী মতুংদা ইন্দিয়ানা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবা ঙমখিবনি। হায়রিবা ওলিম্পিক গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা গ্রুপ ষ্টেজ লাম্থোকপা ঙমদনা লৈহৌবনি।

কুমজা ২০২১গী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা হৌজিক হৌজিক হোকিগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা মাপনশুবা থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমগী গোলকিপর সবিতানা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মশাগী ওইবা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎকনি হায়খি।

# ন্যু য়োর্ককী গভর্ণরনা য়ু এস ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্লবা অয়াবা পীখ্রে




ন্যু য়োর্ক, জুন ১৬ (এজেন্সী): মালেমগী টেনিসকী মমিং লৈরবা গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়ু এস ওপন টুর্নামেন্ট চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্লনবা ন্যু য়োর্ককী গভর্ণরনা অয়াবা পীখ্রে।

ঙসি ন্যু য়োর্ককী গভর্ণর এন্দ্রু কুমোনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী লোকদাউন লৈরম্বা অদু নৌনা হাঙদোকপগী খোঙথাং পায়খৎলকপগী মনুং চন্না চহী অসিগী ওগষ্ট থাগী লোইশিল্লকপদা সিটি অদুনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট পাঙথোকপগী অয়াবা অদু পীখিবনি।

য়ু এস টেনিস এসোসিএসন্না ষ্টেট অদুগী গভর্ণর এন্দ্রু কুমোগী ৱারোল অদুগা ইরোয়ননা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট অদু ভাবক য়াওদনা শান্নবা য়াবগী অয়াবা পীখিবনি।

পনবা য়াই, অতোপ্পা লৈবাকশিংদা মরু ওইনা ফুটবোল মশান্নগী মমিং লৈরবা লীগ টুর্নামেন্টশিং ভাবক য়াওদনা পাঙথোকপা হৌখ্রবনি।

পনবা য়াবদা জর্মনিগী বুন্দেসলিগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট, স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট, কোরিয়াগী লীগ টুর্নামেন্ট য়াওরি।

লোয়ননা ইংলেন্দগী প্রেমিয়র লীগ টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১৭তগী হৌগদৌরিবনি। কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা মরম ওইদুনা থা ৩ লোম শান্নবগী ইভেন্ট পুম্নমক লেপ্পুনা লৈরকপা মরমনা শান্নরোয়খক্তা নত্তনা মশান্নশিং অসিগী ক্লবশিংগী ওইবা শেলগী হীরমদা অশোকপা কয়া লাকপনা লোইশিনবা ঙমহৌদবা টুর্নামেন্টশিং অদু লোইশিন্ননবা লৈবাকশিং অদুগী লৈঙাক্লা অয়াবা পীবগা লোয়ননা হকশেলগী ওইবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা শান্নবা হৌখিবনি। ওগষ্ট ৩১দগী সেপ্টেম্বর ১৩ ফাওবা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদৌরি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com